# তুংদা নিংঙমল্লক্লোইদবা থবক তৌগুমসি... শিকি ইবোবি



কখোকপনা তুংদা থল্লগা ওইজ-থিবা মীওইনা মশিং হেল্লকখিবনা চম্মা হিংজবা মীওই কয়াগী নিংঙমদবা পুন্সি খোঙচৎতা লেপ্লাইদ্রবা পীরাংগা লোয়ননা চৎপা তাই। ওইজবা খরগীদমক মী অমগী পুন্সি-বু মমল লৈতবা পোৎশক অমগুম্না খন্নরে হায়বসি মীৎমাংদা তাদুনা লৈরবা হায়জিনবনি হায়না য়াররোইদবা ব্রাহৈনি। অদুবু থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী খনবদা, লৈজবা পুন্বা থাদোকপা মীওই ঙসিগী মালেম অসিদা লৈত্রবরা হায়বা ব্রাহং অমগী পাউখুম পীরি 'শিকি ইবোবী' হায়রিবা মণিপুরী ফিল্মনা।

নৌনা মীয়ামদা খুদোল তম্লগদৌবা 'শিকি ইবোবী' হায়রিবা ফিল্ম অসি চিন ফিল্ম বেনর মখাদা দাইরেক্টর বিমোল ফিবৌনা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিগী ষ্টোরি, লিরিক্স, স্ক্রিনপ্লে, অমদি দাইলোগসু বিমোল ফিবৌনা ওইরি। ফিল্ম নম্বা লোইদুনা লেবকী থবক অয়াম্বা শরুক লোইশিল্লক্লবা নিপেন্না প্রদুসর ওইবা ফিল্ম অসিগী অপুন্বা শক্তম ওইমিন্নখিবশিংদি কষ্টুমদা গালিপা, কেমেরাদা সঞ্জিৎ এক্স এল, মেক অপতা বেনরজি, শৈশকপশিংনা অফাও অমদি পুস্পারাণি, ম্যুজিক দিরেক্টরনা অফাও অমদি ইদিটিংদা বল্লিনি।

ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবা, লাংলিবীশিংদি কাইকু (শিকি ইবোবী), জয় বিদিয়া (মুক্তা সনা), রজেস, সুরজিৎ সাইখোম, সুরঞ্জয়, গোবিন্দ দাস, রাহুল, নিরঞ্জন, সদানন্দা (লেম্বা), বিদিয়ারাজ (মৈপাক), রতন লাই, নিকি, রঞ্জন, ইন্দু, ক্রিপা লক্ষমি, বানিতা, গাইত্রি, বিলা (থাদোই), মোধুবলা, সুস্মিতা রিপোটর লৈমা অমদি সোনিয়া নচিংবনি।

মণিপুরী ফিল্মনা ঙসি ফাওবদা ইরমদম অসিগী ওইবা অফ-ফত্তা কয়াবু পুথোক্তুনা শকয়েং-মীংশেল অমগুম্না মীয়ামগী শেবা তৌদুনা লাকপনি।

## সুর মৈতৈ



হায়রিবা ফিল্ম অসিনসু ঙসিগী মীরোলখক নত্তনা তুংগী মীরোলগীদমক খন্দুনা ব্রাফম কয়া থম্লি। ব্রাদনা শেল তানবা হায়বসিনা ঙৈহাক্কী নুংঙাইবা অমদি ঙক থাংগৎতুনা চৎপা ঙম্লবসু পোলোইদদি অব্রাবা নিংঙমদবনা মশরুক ওইগনি। অতোংবদগী কোৎলগা অকুৎপদা মেনশিনবা মীয়ামগী শেবানি হায়না লৌনৈ। অদুবু অকুৎপদগী কোৎথোক্লগা অতোংবদা লৈথোনবদি ঐ হিংগে, নঙ শিয়ু হায়বা মশাতগী খন্না হিংবা পুকচেল পীকপা মীনুংশি খঙদবশিংগী শাজৎনি। হিংলবদি মালেমসিদা পুন্না হিংমিন্নবগী ব্রাখল্লোল লৈবা চুম্মী, তুংদা নিংঙম্লক্লোইদবা থবক তৌগুমসি। মীৎনা উবা খক্লা অচুম্বনি হায়বসু লাল্লবা মতমসিদা কান্নদবদা মীব্রা ঙাংনদবা ফরবনি। অচুম অরান খঙদনা মীওইবগী পুন্সিদা অকায়বা থবক তৌরোইদবনি। পুলিস হায়বগী ব্রাম্বোক খঙনা চৎলবদি লমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা মীওই খরতা ওইরবসু পুন্না চৎমিন্নবা ঙমগনি। শেঙ্গা-থুমজাগী থবকসিনা লমদম অসিবু মনিং হন্দুনা চৎহল্লি। চাওখৎপা অমা পুরকশি হায়রবদি ঙাইহাক্কী, ঐগী হায়বা ব্রাখল্লোল থাদোকপা চুমগনি। ফিল্ম অসিদা শিকি ইবোবীগী শক্তম লংলিবা কাইকুনা মরুওইবা পার্ট লৌরি। শিকি ইবোবী লু-খ্রাবি মচানি। মহাক মতম লৈবা খিবিক্তা পুলিস ওইবা পামখি। মহাক্কী অপাম্বা অদু মখুরাগী মতেংনা এস আই ওইবা ঙমখি। মহাক্না এস আই ওইরবা মতমদা লম্বীদা আইনগী ব্রাংবা লান্না চৎলিবা গারি থৌরিবা অঙাং-অহল, নুপা-নুপী খায়দনা লুপা ১০তা ওইরবসু শেল চান্নবা হোৎনৈ। মসিদগী হেন্দোক্তুনা অরানবা পাম্বৈ শিজিন্নদুনা শেল তাল্লিবা মীওইশিংদগী নমদুনা শেল লৌনবা হোৎনৈ।

মহাক্কী শেঙ্গা-থুমজা অদুদা রিপোর্টর লৈমনা কয়ারক হন্না থেংনখি। পাউমী অমা ওইরুবনা অচুম্বা পাউ ফোঙনবা হোৎনখি। মহাক্না পাউ খোম্বা মতমদা এস আই শিকি ইবোবী ফম তৎখি। লৈমনা পাউমী অমা ওইনা ইখিবদুদি অচুম্বা ওইরগসু মীওইবগী হায়বা লম্বী অমদা শিকি ইবোবীগী খোঙচৎতসু অচুম্বা ওইরম্লি। হায়বদি মহাক্না থাগী ফঙলিবা তলব অমদি শেলশিং মমাদা ফাওবা পীশিল্লমদনা কনা লৈজদ্রবা মরাইবক থিরবা মীওই কয়াগীদমকখন্দুনা থবক পায়খৎলমখি।


শিকি ইবোবী থবক তৎলবা মতুং রিক্সো থৌখি। নোংমা মহাক্কী রিক্সোদা তোং লকখিবী কৃপালক্ষমিনা এস আই ইবোবীবু নুংশিজখি। মখোয় অনী মরুপ অমা ওইনা তিন্নরকপদগী শিকি ইবোবীগী হৌখ্রবা ব্রারি তারুবদা কৃপালক্ষমিনা য়াম্না চাওবা মতেং পাংলকখি। নাকল অমরোমদা শিকি ইবোবী মীয়ামগী ফনবা থবক তৌবদা মশাগী লৈজবা কখোকপা মীশক অমনি হায়বা রিপোর্টর লৈমনা খঙলকপদা নিংঙম্লকখিদে। শাউনিংলম্বা কয়া নুংশিবদা ওল্লকখি। শিকি ইবোবী কনাগা নুংশিনবা থুংনবগে, মহাক্কী তুংগী পুন্সি করি ওইরকখিবগে হায়বদুদি ফিল্ম অসিনা মীয়ামগী ওইনা উৎলকপদা খঙমিন্নরসি।

য়াম্না নুংশিরিবদি হিরম অসিগী অয়াম্বা শরুক্তা মীয়াম্বু নোকহন্বা হায়বসিনা মথেল ওইরি। সুরজিৎ সাইখোম্না হোমো অমা ওইনা শক্তম লাংখিবা অমদি কাইকুনা এস আই শিকি ইবোবীগী শক্তম লাংবদা য়াওরিবা নোক্লিংবগী মথেলশিং চুহিদা হয়িংনা তোংদবা ঙমবরা য়েংশি হায়বদুনি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com